**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) পারক সেল হাংদোকপা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৈবাক অসিগী ওইনা অহানবা ওইরে।

২) নুমিৎ নিনি চুপা চথুগদবা ২২ শুবা কচাই লেমন ফেষ্টিভেল ঙসিদগী কচাই ভিলেজদা হৌখ্রে।

৩) আই.দি.পি অঙাংশিংগী সমস্য হায়বসিগী মতাংদা জিলা থাক্কী মীফম অমা ককচিংদা পাঙথোকখ্রে।

৪) য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী স্পোর্টস সেক্রেতরি হরি রঞ্জন রাওনা হায়রি- মণিপুরকী লৈরিবা স্পোর্টসকী কলচর অসি লৈবাক অসিনা য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসি স্কিম অমা ওইবখক নত্তনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা খুদোংচাবশিং পীবা রেনবো ভিজননি।

------

কাউন্সিল (এলঃ)ঃ পার্ফোমেন্স, এসেসমেন্ট, রিভিউ এন্দ এনালাইসিস ওফ নোলেজ ফোর হোল্লিষ্টিক দিভলপমেন্ট (পারক) সেল হাংদোকপা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (কোসেম)না লৈবাক অসিগী ওইনা

অহানবা ওইরে। পারক সেল অসি নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ মপুং ফানা চৎনহন্নবা পারক-এন.সি.ই.আর.টি নিউ দিল্লিনা লৌখৎলকপা থৌরাংনি।

কোসেমদা নৌনা হাংদোক্লিবা পারক সেল অসি ঙসি পারক-এন.সি.ই.আর.টি নিউ দিল্লিগী সি.ই.ও অমসুং হেদ প্রোফেসার ইন্দ্রানি ভাদুরিনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা কাউন্সিলগী চেয়ারমেন তখেল্লম্বা ওজিৎ সিংহ্ শরুক য়াখি। পারক সেল অসিনা ৱার্কসোপ পাঙথোকপদা নত্তনা রিছোর্স পার্সনশিং, সবজেক্ট এক্সপার্ট, ইজ্‌কেসনিষ্ট অমসুং ওজাশিংগী মরক্তা খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবা পীরি। মসি নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ মপুং ফানা চৎনহন্নবা থৌরাংগী শরুক অমনি।

চম্প্রা (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চুপা চত্থগদবা ২২ শুবা কচাই লেমন ফেষ্টিভেল ঙসি হোর্তিকল এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী কম্মিসনার থাইথুইলুং পামৈনা ঙসি কচাই ভিলেজদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা উখ্রুল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অসিস দাস য়াওনা অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

লেব (এল) ঃ নেসনেল এক্রিদিতেসন বোর্দ ফোর টেষ্টিং এন্দ কেলিব্রেসন লেবোরেটরিজ (এন.এ.বি.এল)না শিন্দুনা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালদা এন.এ.বি.এল এক্রিদিতেসন অমসুং মসিগী কান্নবা হায়বসিগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ক্বালিতি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী গুন ভত্তা য়াত্রা ইনিসিয়েতিভগী মখাদা শিনবনি। মীফম অদুদা রাজ্য অসিদা এন.এ.বি.এলগী এক্রিদিতেদ তৌবা লেবোরেটরিশিং মশিং য়ামা লৈতবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

এক্ট (এলঃ)ঃ দ প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্ট ২০২৬ কী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা ফুবাকচাউ মখা লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন, ফুবাকচাউ য়ং মুস্লিম

দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন অমসুং য়ুনাইতেদ মণিপুর মুস্লিম ৱিমেন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন তিনিংফম মোন্সাং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সনশিংনা অঙাং ওইনা লুহোংবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

আইদিপি (এলঃ)ঃ আই.দি.পি অঙাংশিংগী সমস্য হায়বসিগী মতাংদা জিলা থাক্কী মীফম অমা ককচিং দিপ্যুতি কম্মিসনার ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড ৱেলফ্যার কমিতিগা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন শ্রী কৈশাম প্রদিপ কুমারনা হায়- কম্মিসন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি আই.দি.পি অঙাংশিংদা মেন্টেল হেলথকী সমস্য লাক্তনবা অহেনবা মীৎয়েং চংবা হায়বসিনি। মহাকা হায়- কম্মিসন্না গ্রাসরুট থাক্তগী থবক পায়খৎতুনা হিরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম কয়ামরুম পাঙথোকখ্রে। শ্রী প্রদিপ কুমারনা হায়- ককচিং জিলাদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া পায়খৎলে। ককচিং চাইল্ড ৱেলফ্যার কমিতিনা মপুং ফানা থবক তৌদুনা অঙাংশিংগী বেঙ্ক এক্কাউন্ট ফাওবা হাংদোক্লে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জিলা অসিগী দিপুতি কম্মিসনার উপুলুরি চৈতন্যানা আই.দি.পি অঙাংশিংগী য়াইফনবগীদমক ষ্টেগ হোল্ডরশিং অমসুং মরী লৈনবা বিভাগশিং পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

স্পোর্টস (এল)ঃ যুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী স্পোর্টস সেক্রেতরি হরি রঞ্জন রাওনা হায়রি- মণিপুর অসি শান্নরোইশিংগী লমদম অমনি। লমদম অসিদা লৈরিবা স্পোর্টসকী কলচর অসি লৈবাক অসিনা য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী খ্মন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ৮ শুবা কুমওন থৌরমদা শ্রী রাওনা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি অসিনা লৈবাক অসিগী অহানবা স্পোটসকীদমক লিংবা য়ুনিভর্সিতি ওইরি। য়ুনিভর্সিতি অসি লৈবনা স্পোর্টসকী ওইবা তোঙানবা য়ুনিভর্সিতি লিংবগী তঙাইফদবা অদু মীয়াম া খঙলে। য়ুনিভর্সিতি অসি খ্বাইদগী হেন্না খুমাং চাওশিনবা, মতমগা চুনবা য়ুনিভর্সিতি অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। পান্দম অসি ফংনবা স্পোর্টসকী লমদা থবক তৌরিবশিং য়াওনা শান্নরোই অমদি মীয়ামা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস জোইন্ট সেক্রেটরি ডাঃ সোভিত জৈন, পদ্মশ্রী অমসুং খেল রত্নগী মনা ফংখ্রবী-এন. কুঞ্জারানি দেবী, নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-ডা: শ্যাম সুন্দর রথনচিংবা শরুক য়াখি।

দিএম (এলঃ)ঃ রিসেন্ট এদভান্সেস ইন মেথমেতিকেল সাইন্সেস এন্দ নিউ ত্রেন্দস ইন ষ্টেটিষ্টিক্স হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনি চুপা চথ্নগদবা নেসনেল কনফরেন্স ইম্ফালগী দি.এম. কলেজ ওফ সাইন্সতা ঙসিদগী হৌখ্রে।

ষ্টেটিষ্টিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসন মন্ত্রালয় অমদি দি.এস.টি-এস.ই.আর.বি আয়ুস্মান নেসনেল রিছার্স ফাউন্দেসনগী মখাদা পাঙথোকপা কনফরেন্স অদু হৌদোক্লদুনা দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবুনা হায়- ঙসিদি মেথমেতিক্স অমদি ষ্টেটিষ্টিক্সকী লমদা য়ামা চাউনা অহোংবা লাক্লে। তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা রিছার্স অমদি ষ্টদি তৌবদা ষ্টেটিষ্টিক্স অমদি মেথমেতিকেল এপ্লিকেসন য়াওদবা য়ারক্ত্রে। মসি ফাইনান্স, ৱেদর, এগ্রিকলচর, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ফোরেষ্টকা মরী লৈনবা দেটাশিং নৈনবদা য়ামা মরুওইরক্লি। মসিগী মরুওইবা অসি মহৈরোইশিংদা খঙহনবদা তোঙান তোঙানবা এক্সপার্ট রিছার্স স্কোলারশিংগী ৱাখল্লোন লৌনবগী পান্দমদা কনফরেন্স অসি পাঙথোকপনি।

কনফরেন্স অদুদা মণিপুর য়াওনা অতৈ রাজ্যশিংদা লৈবা য়ুনিভর্সিতিশিংদগী লাকপা সাইন্তিষ্ট য়াওনা প্রোফেসারশিং শরুক য়াখি।

সেফতি (এল)ঃ নেসনেল রোড সেফতি মন্থ-২০২৬ কা মরী লৈননা মীয়ামদা লম্বীগী নিয়ম ঙাকা চৎননবা অমদি নীংথিনা খঙহন্নবগী কেম্পেইনশিং তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চত্থরি।

থাবুম অমা চুপা চত্থগদবা কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি.সি. লম্বী, কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট, ৱাহেংবম লৈকাই পার্কিং এরিয়া, শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন ককৱানচিংবা মফমশিংদা অসিগুম্বা এৱারনেস দ্রাইবশিং থা অসিদা লেপ্তুনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

তমেংলোং জিলাদসু নেসনেল রোড সেফতি মন্থ ঙসিদগী হৌখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সরকারগী মকোক থোংবাল ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা জাদোনং পার্কতগী এপোলো গ্রাউন্দ ফাওবা রেল্লি অমসু চৎখি। পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা জিলা অসিদা মীয়ামগী ওইবা এৱারনেস কেম্পেন, ৱাল পেন্টিং, ষ্ট্রিট প্লে, স্পেসিয়েল রোড সেফতি এৱারনেস প্রোগ্রামনচিংবা পাঙথোক্কনি। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা দি.এল.ওশিংদা ওফিস মেমোরেন্দম থাদুনা শরুক য়ানবা খঙহনখ্রে।

নোনে (এলঃ)ঃ লাক্লিবা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগা মরী লৈননা নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লৈবা দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার শ্রী বিদ্যামারি শ্রীধরনা গনতন্ত্র দিবস পাঙথোক্কদবা মফমশিং নিংথিনা শেম শানবা অমদি অতৈ খুদোংচাবশিং মীয়ামদা ফংহন্নবা পাউতাক পীখি। দিপ্যুতি কম্মিসনারনা জেদ.ই.ওদা স্কুল প্রিন্সিপালশিং পাউ ফাওনদুনা মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্ট শেমবসু খঙহনখি। গনতন্ত্র দিবসকী ফুল দ্রেস রিহারসেল থা অসিগী ২৪ দা লোংমাই কম্মন গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি।

কেম্পেইন (এল)ঃ মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না শিনদুনা ঙসিদগী অনৌবা লাঙোনগী ভোট হায়বা কেম্পেইন অমা হৌদোকখ্রে। মনিপুর য়ুনিভরসিতি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগা খুৎশমদুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা য়ুনিভরসিতি অসিগী এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টকী হান্নগী ঐচ.ও.দি. প্রোফেসার-ডব্লিয়ু. নবাকুমার, এদিটরস গীল্ড মনিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল-য়ুমাম রুপচন্দ্র, মুশুগী ভাইস প্রসিদেন্ট-হিজিয়োজ তোংব্রম অমদি ময়োলগী প্রসিদেন্ট-অশেম প্রিন্স শরুক য়ারি।

চহি অমা চুপা চত্থগদবা কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমশিংদা ভোটতা শেঞ্জা থুমজা তৌদনা কাংলোন চুমা পাঙথোকপা অমদি মীয়ামসু মখোয় মশা মশাগী অপাম্বা মীহুৎশিং খনবনা খুন্নাহ অসিগী তুংগী লম্বীদা হেন্না অফবা ওইরক্কনি হায়বসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংগনি। কেম্পেইন অসি মরুওইনা লাক্কদৌরিবা ইং ২০২৭ কী মনিপুরি বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা মীয়ামদা রাজনিতিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙহননবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদবনি। কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না চীং অমদি তম্পাক্কী কেন্দ্রশিংদা পোলিটিকেল সোসিএলাইজেসনগী কেম্পেইন কয়া পাঙথোক্কনি। মসিগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেমিনার, মীখলগা মরী লৈনবা লীলাশিং সিনেমা অমদি দ্রামানচিংবা কয়াসু উৎকনি হায়রি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসি স্কিম অমা ওইবখক নত্তে। মসিদি তোঙান তোঙানবা লমশিং শমহন্দুনা অনৌবা খুদোংচাবশিং পীবা রেনবো ভিজননি।

নেসনেল ষ্টার্টঅপ ডেগা মরী লৈননা ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া হৌদোকখিবা চহি ১০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া অসি ইহৌ অমা ওইরক্লি। মসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা অনৌবা সংস্কৃতি অমা ওইনা চৎনরক্লি। মহাকা হায়- ভারত অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা ষ্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেমনি।

ভারতকী নহাশিং অসি অশেংবা সমস্যাশিং কোকহনবদা মীৎয়েং চংলি হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা নহা ওইরিবা ইনোভেতরশিংগী অনৌবা মঙলানগীদমক থৌনা লিংজেল ফুদোক্লিবা অদুবু থাগৎনিঙাইনি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা লৈবাক অসিদা শুপতগী ষ্টার্টঅপ ৫০০ মুক লৈরম্বা অদু ঙসিদি লাখ অনি হেল্লে। শ্রী মোদিনা হায়- ইং ২০১৪ দা ভারত্তা য়ুনিকোন মরিখক লৈরম্বদগী হৌজিক্তি য়ুনিকোন ১২৫ হেন্না মথৌ নিংথিজনা তৌরে। ভারতকী মায় পাকপগী ৱারীশিং অসি মালেমগী মীয়ামগী ঙকা য়েংনরি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুদা পাঙথোকপা একজিবিসন অমা য়েংশিনখি অমদি মদুবু হাংদোক্লিবা মীওইশিংগসু ৱারী শান্নখি।

মোদি ঃ নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং অসামগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি হয়েং কোলকাতাদা থুংগনি। অহৌবা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রিনা হাউরা অমসুং গুৱাহাতিগী কমাখ্যা তমা চেনগদবা ভারতকী অহানবা বন্দে ভারত স্লিপ্পর রেলগাড়ি মালদা টাউন রেলৱে ষ্টেসনদগী হৌদোক্কনি। মহাকা গুৱাহাতি- কমাখ্যা-হাউরা রেল গাড়িনা ভারচুয়েল ওইনা লমথাগনি।

শ্রী মোদিনা নোংচুপ বেঙ্গলগী মালদাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী ওইবা থৌরম অমদা লুপা কোতি লিশিং ৩,২৫০ রোমগী রেল অমসুং লম্বীগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা যাত্রা হুনগনি। প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বেঙ্গলদা অচৌবা রেলৱে প্রোজেক্ট মরিগী যাত্রাস্ হুনগনি। মহাকা মালদাদা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি মরি লমথাগনি।

অথেংবদা অসামগী গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা বোরো জাতিশিংগী ইনাক খুল্লবা হেরিতেজবু উৎথোকপা বাগু রুম্বা দৌহৌ ২০২৬ তা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা বোরো জাতি কাংলুপকী আর্টিষ্ট লিশিং ১০ রোমা বাগু রুম্বা জগোই উৎকনি। মহাক্কী নিনি শুবা খোঙচৎতা শ্রী মোদিনা কাজিরঙ্গ এলেভেতেট কোরিদোর প্রোজেক্ট পায়খৎনবা যাত্রা হুনগনি। অসামগী কালিয়াবোদা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ৬,৯৫০ চংনা শেমগৎকদবনি। থৌরম অদুদা শ্রী মোদিনা গুৱাহাতিদগী রোহতক অমসুং

দিব্রুগরদগী লখনৌ তমা চৎকদবা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি অনি লমথাগনি।

বজেৎ ঃ  লাক্লিবা সংসদকী বজেৎ মীফমদা সরকারনা সিদ এক্ট ২০২৬ পুথোক্কদৌরি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা লৌউ শিংউ অমসুং লৌমী য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ্ চৌহান্না হায়- এক্ট অসিনা মগুন য়াওদবা শাশিন্নবা অমসুং অনওথোরাইজ ওইবা মরু মরাং য়োনবা থিংনবগীদমক্তনি। থৌরাং অসিনা মগুন লৈবা, সার্তিফাইদ তৌরবা মরু মরাং লৌমীশিংদা ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। মন্ত্রিনা হায়- অনৌবা আইন অসিনা মরু মরাংশিং কদাইদগী পুরকপনো অমসুং কনানা সপ্লাই তৌরকপনো হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙম্লগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো ঃ  এম.পি.এস.সি টিম-এ অমসুং এক্স-পোলো ক্লব ৱাংখৈ ৩৯ শুবা মেন্স ষ্টেট লেবেল পোলো তুরনামেন্টকী সেমি ফাইনেল চংলে। ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথুরিবা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর  ফাইনেল মেটচশিংদা এম.পি.এস.সি টিম-এনা এ.আর পোলো টিম-বিবু পাঞ্জল ৮-২ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এক্স-পোলো ক্লব ৱাংখৈনা তেন্থা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭-৫ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ  ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা- য়ু.এস.এনা নাকোবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্রুকপু অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

ফুটবোল ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা ফুটবোলগী দিষ্ট্রিক্ট লিগ পাঙথোকপা ঙমবগীদমক জিলা অসিদা লৈরিবা ফুটবোল ক্লবশিংনা অপুনবা এদহোক কমিতিনা হোৎনরি। কমিতি অসিনা হোৎনরিবা অসিদা মরী লৈনবশিংনা মতেং পাংবীনবা হায়রি। শান্নরোইশিংগী য়েংলগা এফ.এম.এফ.এনসু মতেং পাংবীনবা কমিতি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হোক্কিঃ ইম্ফাল ইষ্টকী কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ৱাই.সি.সি.আই.সিনা শিন্দুনা ইবুধৌ মার্জিং লম্পাক্তা চত্থরিবা ১৩ শুবা য়ুমাম রাসমণি মেমোরিয়েল ইনভিতেসন অন্দর ফিফতিন বোইজ এন্দ ৱিমেন হোক্কি তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচশিংদা- মৈরা বাসিখোংনা এস.ৱাই.য়ু.সি উচেক্কোনবু পাঞ্জল ৮-২ দা অমসুং বি.ঐচ বিষ্ণুপুরনা শিংজমৈ সেয়োবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখি।

নুপীমচাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- ৱাই.সি.সি.আই.সি-টিম-এ কোন্থা অহল্লুপনা সেয়ো শিংজমৈবু পাঞ্জল ১৯-১ দা অমসুং য়ু.ই.এস.পি.এমনা আইদিয়েল তেরা বজারবু পাঞ্জল ১৩-১ দা থোইখি।

------